# এম পি এস সী ফম্নাইবশিংনা খুৎ চঙবদগী শেঞ্জাও পায়বশিংগী কম্মিসন ওইরে : এমসু

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচ এন এস): লমদম অসিগী খুন্নাইগী পূন্সিরোলদা চাউখৎপা অহোংবা পুরক্কনি হায়না মীয়াম্না থাজবা থম্লিবা অমসুং লাইরিক লাইশু নীংথিনা হৈরবা লমদমসিগী নহা কয়াগী মঙলান ওইরিবা মণিপুর পব্লিক সার্ভিস কম্মিসন (এম পি এস সী) ঙসিদি লৈঙাক্কী ফম্নাইবশিংনা খুৎ চঙবদগী মিচং, খঙন-চানবা লৈবা শেঞ্জাও পায়বা মীওইশিং খক্তগী সার্ভিস কম্মিসন অমা ওইরক্কদৌরে হায়না ওল মণিপুর ষ্ট্যুদেন্টস’ য়ুনিয়ন (এমসু), ময়াই লোইশঙগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি এল সুরবলানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, এম পি এস সীনা লৌদুনা হন্দক পাঙথোকখিবা মণিপুর সিভিল সার্ভিস কম্বাইন্দ কম্পিটিটিব ইগজামিনেসনগী প্রিলিমিনরি পাস তৌরবা কেন্দিদেট ১১৩৮না পেপর ৮ দা পীখিবা অপূনবা পেপর মশীং অসি ৯১০৪ নি। অদুবু য়াম্না হেন্না ঙকপা মওংদা সেপ্টেম্বর ৪ দগী হৌরগা ২৩ ফাওবা পাঙথোকখিবা মেইন ইগজাম অসিগী রিজল্ট চৎলিবা ওক্টোবর ৪ দা লাউথোরকপা অসিনি। সবজেক্টিব ওইবা পেপরশিং অদু য়েংবদা এম পি এস সীনা ওজা কয়া এনগেজ তৌখিবনো হায়বা ময়েক শেংনা তাকফম থোকই।

ঙসি ফাওবা এম পি এস সীনা মমাঙথক্তা অশোয়বা অরানবা কয়া তৌখিবগী মায়োক্তা অচুম্বা তৌবিনবা অমসুং পুথোকপীনবা এম পি এস সীদা এমসুনা লাউদুনা লাক্লি। এম পি এস সীনা কুমজা ১৯৯৭ দা পাঙথোকপা লোইখ্রবা ইগজামিনেসনগী রিজল্ট গৌহাটি হায় কোর্টতা এলাংবম সুরজ ভর্সেস এম পি এস সীগা কেস থেংনবদা পাঙথোকখিবা ইগজাম অদু অশোয়বা অরানবা কয়া লৈরে হায়না গৌহাটি হায় কোর্টনা ইনষ্ট্রক্সন পীবদগী কেন্সেল তৌখিবা লৈরে।

কুমজা ১৯৯৯ গী এম পি সী এসগী সিভিল সার্ভিস কম্বাইন্দ কম্পিটিটিব ইগজামিনেসনদসু অশোয়বা অরানবা থেংনবদগী কেন্সেল তৌখি। কুমজা ২০০৮ দা ফিজিকেল্লি চেলেঞ্জ ওইরবা কেন্দিদেটশিংগী রিজার্ভেসন কোটাগা মরী লৈননা সিভিল সার্ভিস ইগজামিনেসন কেন্সেল তৌখিবা লৈরে। কুমজা ২০১০ দা পাঙথোকখিবা এম পি এস সীগী ইগজামদা হঞ্জবম বোবী শর্ম্মা কৌবা কেন্দিদেট ওইখিবা অমনা মীয়াম অমসুং ৱায়েল পথাপকী মতেংনা অকনবা মুক্নবা অমা এম পি এস সীগা থেংনরবা মতুংদা হন্দক ইকুই কুইদনা কুমজা ২০১৬ দা মায় পাক্লবা এম পি এস সীগী কেন্দিদেট অমা ওইনা লাউথোকখিবা লৈরে। কুমজা ২০১৪ গী প্রিলিমিনরি ইগজামসু চয়েৎনবা মওং অমদা অহুল্লক থোক্না লাউথোকখি।

মণিপুর এদ্যুকেসন সার্ভিসকী রিজল্ট ২০১৪ দগী হৌজিক ফাওবা মণিপুর হায় কোর্টকী ওর্দর অমনা ৱিথহেল্ডদা নমশিন্দুনা থম্লি। কোলেজশিংগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ২৮০ পোষ্ট লৌনবগী নোটিফিকেসন কুমজা ২০১৪ দা থোকখিবদু হৌজিক ফাওবা মণিপুর হায় কোর্টকী ওর্দর অমনা ৱিথহেল্ডদা থম্লি। সেকেন্দরি স্কুলশিংগী পোষ্ট ২০৭ কী ওজা লৌনবা কুমজা ২০১৪ দা থোকখিবা নোটিফিকেসন অদুসু হৌজিক ফাওবা মণিপুর হায় কোর্টকী ওর্দর অমনা ৱিথহেল্ড থম্লি।

কুমজা ২০১৬ গী এম পি এস সীগী মখাদা পাঙথোক্লিবা মণিপুর সিভিল সার্ভিস কম্বাইন্দ কম্পিটিটিব ইগজামিনেসনগী প্রিলিমস অনীরক থোক্না কেন্সেল তৌখি। মসিগী মরুওইবা মরমদি নন-মণিপুরীশিংনা ইগজাম অসিবু থাহনবা য়ানবা এম পি এস সীগী চ্যেরমেন অমসুং সেক্রেটরিনা লৌতুনবা অমগা লোয়ননা ফোঙনা হোৎনরকপদগী ওনলাইনদা মশীং থীঙমদনা ফোর্ম থাজিলহনখি অদুবু লমদম অসিগী মীওইশিংখক্তনা ফংগদবা খুদোংচাবা অদু মৎনবা হোৎনরকপা থৌশিল অমসুং লান্না ইগজাম অসিবু পাঙথোক্লবা হোৎনরকখিবা অসিদগী মহৈরোয়শিংগী অচৌবা ঈরাং লাক্তুনা য়ৈথোকখি হায়রি।

মমাঙথক্তা পাঙথোকখিবা এম পি এস সীনা শীনবা তোঙান-তোঙানবা পোষ্টশিং লৌবগী থবক্তা অশোয়বা অরানবা কয়া অসিগী থৌদাং এম পি এস সীগী সেক্রেটরি অমদি চ্যেরমেননা পুক্ষম থোকই। লমদম অসিগী লৈঙাক্লা তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংদা আই এ এস ওফিসর খুদিংমক লৈঙাক্কী ওর্দর অমনা রিসফল লোইনা তৌখি অদুবু করিগীদমক্তা অশোয়বা অরানবা কয়া ঙসি ফাওবা থোক্তুনা লাক্লিবা আই এ এস শ্যামলাল পুনিয়া অমুক হন্না এম পি এস সীগী চার্জ পুহনবা হায়বসি লমদম অসিগী মীয়ামগী ৱাহং ওইরি।

লৈঙাক্কী লুচিংবশিংগা লৌতুনবগী থৌওং অমখক মতম শাংনা চত্থরব্রা হায়বসি সেক্সন কয়াগী মীওইশিংনা হংনরক্লে। মতিক চাদবা এম পি এস সীগী সেক্রেটরি অমদি চ্যেরমেন মখোয় মখোয়গী থৌদাংদগী খুদক্তা লৌথোকফম থোকই। নেপোটিজমদা য়ুম্ফম ওইবা থৌওং কয়া অৱাংবা থাক্কী এম পি এস সীগুম্বা কম্মিসন অমদা চত্থরবদি লৈবাক খুন্নাই অসিগী পূন্সিরোল চাউখৎ মনিং হল্লকপা তাবনি। করিগীদমক্তা কম্মিসন অসিনা কেন্দিদেটশিং অমদি মীয়াম্না থাজবা মাঙশিল্লক্লিবনো হায়বসি লমদমসিগী ইন্টলেকচ্যুএলশিংনা নৈনবা চুম্লে।

হন্দক পাঙথোকখিবা মেইন ইগজাম অসিদা কেন্দিদেটশিংনা অচৌবা ঈহৌ অমমুক লাকপা অসিনা লান্না তৌরম্বা য়াবগী ওইথোকপা কয়া লৈরে মরম অদুনা চ্যেরমেন অমদি সেক্রেটরিনা হান্না শেংদোকফম থোকই। অশোয়বশিং অসি শেংদোক্ত্রিঙৈদা ইন্টর্ভিয়ুগী প্রোসেস চঙশিল্লবদি অশোয়বা অরানবা কয়া মখা তানা থোরকপা য়াই অমদি থোকহন্নীংদবা থৌদোক কয়া থোক্লক্কবা এম পি এস সীনা চেপাউ পীবনি হায়না এমসুনা লৌই হায়রি।

## থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪: অদিম পামৈবু বি জে পি, মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট অমসুং সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট, সদর হিলস অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ইলেক্সন ইন-চার্জ ওইনা হাপ্লকপগীদমক বি জে পি, মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট কে ভবানন্দ, ইলেক্সন মেনেজমেন্ট কমিটিগী কনভিনর টি ঐচ চাওবা অমসুং মহাক্কী কাঙবুবু বি জে পি, নমকাওলোং ভিলেজ য়ুনিটনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

বুথ লেবেল কমিটি, নমকাও-লোংগী চ্যেরমেন খিসাংখে গোনমৈনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা হায়, বি জে পি, মণিপুর প্রদেসকী ভাইস-প্রসিদেন্ট অমসুং লাক্লিবা এসেমব্লি মীখল, ২০১৭তা নুংবা ৫৪-নুংবা এ সী (এস টি)দী বি জে পিগী মীরেপ ওইনিংলিবা অদিম পামৈবু বুথ লেবেল কমিটি, নমকাওলোং ভিলেজনা শৌগৎকনি। মসিগা মরী লৈননা বি জে পি ৱার্করশিং/সপোর্টরশিং অমসুং নুপী চা কায়ানা শরুক য়াদুনা পোষ্টর কেম্প্যেইন তৌখ্রে।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪: ঠিএটরগী লমদা মালেমগী ওইনা মমিং লৈরবা দিরেক্টর হৈস্নাম কহ্নাইলালনা লৈখিদবদা ওল মণিপুর ম্যুজিক এসোসিএসন (অমমা)গী মেম্বরশিংনা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম ঙরাং পাঙথোকখ্রে হায়না লূপ অসিগী সেক্রেটরি এ রবিন্দ্রনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফমদুদা ইরমদম-সিগীতা নৎতনা মালেমগী ওইনা মেনখৎপা ঙন্নরোইদবা মাঙজবা অমা ওইরগনি। লৈখিদ্রবা কহ্নাইলালগী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা লৈখিদদ্রবগী থৱায়না মপু মাগী নাক্তা ইংনা চিক্না লৈরুনবা মিনিট অনী তুমিন্না লেপ্পুনা থৌনিখি। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

## রেফ্রিজিরেটর পীখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪: হেদক্বার্টরস আই জি এ আর (সাউথ)না ‘ফ্রেন্দস ওফ নোর্থ ইষ্ট’কী পান্দমগা লোয়ননা মাদর টেরেসা হোম, মিসনরিজ ওফ চেরিটি, কোন্থাদা রেফ্রিজিরেটর অনী পীখ্রে। থৌরম অদুদা অসাম রাইফলস ৱাইবস ৱেলফেয়র এসোসিএসন, আই জি এ আর (সাউথ)গী প্রসিদেন্ট লক্ষ্মি শ্রীনিবাস শরুক য়াখি হায়না আই জি এ আর (সাউথ)গী পি আর ওনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মাদর টেরেসা হোম, কোন্থানা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মীয়ামগী শীংথানিংঙাই ওইরবা থবক হৌখিবা চহী ১৬সিদা তৌদুনা লাক্লি। সোসাইটি অসিগী সিষ্টরশিংনা ইম্ফালগী লায়রবা মীওইশিংগী ফীভম ফহন্নবা থবক তৌরি। থৌরম অদুদা মাদর টেরেসা হোমদা লৈরিবশিংনা কলচরেল প্রোগ্রামসু খুদোল তৌখি।

## আই চেক-অপ

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪: হেদক্বার্টরস আই জি এ আর (সাউথ)গী মীৎয়েং মখাদা ৯ সেক্টর অসাম রাইফলসকী ২ অসাম রাইফলসনা ৱার্ল্ড সাইট দেদা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমসুং আই চেক-অপ তৌবগী থৌরম অমা ঙরাং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী অপ্পর খোরিপোক্তা পাঙথোকখ্রে হায়না আই জি এ আর অসিগী পি আর ওগী চেরোল অমদা হায়রি।

## মেরা হৌচোংবগী থৌরম পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচ এন এস): চহী খুদিংগী লিশাং শিৎনা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা মেরা হৌচোংবগী থৌরম থা অসিগী ১৬তা ৫রক শুবা মেরা হৌচোংবগী থৌরম ইরমদম অসিদা য়েলহৌঙৈদগী লৈমিন্নরক্লবা চীংবুরোয়-তম্বুরোয় পুন্না শরুক য়ামিন্নদুনা কৈরাও এ সীগী মনুং চন্না লৈবা ক্যামগৈ হৈবোং মখোঙ লম্পাকতা নাৎকি ওইবা লাইনীং-লাইশোলগী থৌরম, অচম্বা খুদোলপোৎ লান্নবনচিংবা মরু ওইরবা থৌরম কয়াগা লোয়ননা পাঙথোক্লগনি হায়না ক্যামগৈ য়ুথ পাইওনিয়র ক্লবকী জেনরেল সেক্রেটরি অর্বিন্দ খুরাইজমনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লংথবাল খৌপুম, সন্দং শেনবা মরিং, ৱাইথৌ চিরু, করপুর শুংবা, লেম্বা খুল,ইরিলবুং কবুই খুলনচিংবগী মীয়ামগা পুন্না খুৎশম্নদুনা ‘লব ব্রিংস পিছ, য়ুনিটি এন্দ ইন্টিগ্রিটি’ হায়বা ৱাখল্লোন্দা ক্যামগৈ য়ুথ পাইওনিয়র ক্লব অমসুং ইনাৎ কনবা লূপ, ক্যামগৈনা পুন্না খুৎশম্নদুনা পাঙথোক্ক-দৌরিবা ৫রক শুবা মেরা হৌচোংবগী থৌরম অসিদা য়েলহৌঙৈদগী লৈমিন্নরক্লবা চীংবুরোয়-তম্বুরোয় পুন্না শরুক য়ামিন্নসি।

## কম্বাইন্দ ফোর্সনা লালহৌবা ২ ফারে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪: দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো, বিষ্ণুপুর অমসুং২/৫ জি আরনা থা অসিগী ১১দা থাজবা পাউ অমদা য়ুম্ফম ওইরগা বিষ্ণুপুর ফোরেষ্ট এরিয়া কোয়শিল্লগা থি-হুম্বা চথুবদা য়ু এন এল এফ ওর্গনাইজেসনগী এক্টিব মেম্বর অমা ফারে হায়না মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী পি আর ওগী চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি। ফারবা অদুনা মোইরাং খুনৌ মনিং লৈকায়দগী মাইরেম্বম ইতোমচাগী মচানুপা মাইরেম্বম রাকেশ এলিয়স ইবুঙোচৌবা এলিয়স যোঙ্গন (৩১) কৌই। মাঙোন্দগী মরী লৈনবা পোৎলমশিং ফাগৎলে। মদুগী মতুংদা লৌখৎপা এক্সন্দা য়ু এন এল এফকী এক্টিব কাদর অমসু ফারে। ফারবা অদুনা তেরাখোংশাংবী ৱার্দ নম্বর ১দগী এম দি কারেমুদ্দিনগী মচানুপা এম দি নাজেরুদ্দিন এলিয়স বাবু (৩৬) কৌই। ইনবেষ্টিগেসন চথুবা মতমদা মহাক আই ঈ দি সপ্লাই তৌবদা চেন্নৈ হায়না ফোঙদোরক্লে। মোইরাং পুলিস ষ্টেসননা কেস অমা লৌখৎলগা ইনবেষ্টিগেসন চথুরি হায়রি।

## এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪:দিভলপমেন্ট ফোর নীদি ৱেলফেয়র ওর্গনাইজেসন, সেগা রোদ খ্বাইরাকপম লৈকায়না দিষ্ট্রিক্ট মিসন সোসাইটি, থৌবালগী শেলগী তেংবাং মখাদা সেব দ গার্লস অন্দর পি এন দি টি হায়বা হীরম অসিদা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী খাঙবোক পার্ট-১ মনিং লৈকায়দা পাঙথোকখ্রে হায়না লূপ অসিগী চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

থৌরম অদুদা ডা. টি ঐচ অরুন-কুমার, জোইন্ট দিরেক্টর, পি এন দি টি,দিরেক্টোরেট ওফ হেল্ঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র, ডা. এন জয়ন্তকুমার, সী এম ও, থৌবাল, এম জয়কুমারনা মথংশিংনা অথোইবা লেংবিরকপা, থৌরম মপু অমসুং ইকায় খুম্নরিবা লেংবিরকপা ওইনা শরুক য়াখি।

## মৈ ফংহন্দ্রবদি খোঙজং চঙশিনগদৌরি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪: এম এস পি সী এলনা ৩৩/১১ শগোলমাঙ পৱার সব-ষ্টেসননা কোল্লিবা খুঙ্গংশিংদা পীরিবা মৈ অসি চাং নাইনা ফংহন্দ্রবদি এম এস পি সী এলগী মথক্তা অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লগনি হায়না ষ্ট্যুদেন্টস ক্লব য়ুম্নাম খুনৌগী সেক্রেটরি জেনরেল ঐচ অমর্জিৎনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা চেকশিন ৱা থম্লকলি।

চেরোল অসিনা হায়, ওক্টোবর থা হৌগৎলকপদগী ৩৩/১১ শগোলমাঙ পৱার সব-ষ্টেসননা কোল্লিবা খুঙ্গংশিংদা এম এস পি সী এলনা পীরিবা মৈ অসি চাং নাইনা ফংহনবা ঙমদবনা মরম ওইরগা মায়কৈ অসোমগী খুঙ্গংগী মীয়াম চাউনা অৱাবা মায়োক্লরে। লোয়ননা মৈ লাক্ত্রবসু নোংমগী এম এস পি সী এলনা লুপা ৪/৪ কঞ্জুমরশিংদগী লৌদুনা লাক্লি। মৈ লাক্ত্রবসু শেল লৌবগী চৎনবী অসিবু করম্বা মখলগী কাঙলোলননো অমসুং নোং হেক চুবগা মৈ ফংহন্দ্রিবা অসিনা করিগীনো?

মরম অদুনা মরী লৈনবা এম এস পি সী এলনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবিদুনা মৈ ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরিবা খুঙ্গংশিংদা অথুবা মতমদা মৈ ফংহনবিনবা মীৎয়েং চিংশিঞ্জরি।

লোয়ননা মীওইবগী পুন্সিদা নোংমদা তঙাইফদনা চঙদ্রবা য়াদ্রবা টৌটি ঈশিংগী অৱাবা কয়া অমসু খুঞ্জাশিংনা মায়োক্লরে হায়নসু চেরোল অসিদা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪: ইষ্টর্ন য়ুনিয়ন ক্লব, ককময়াই, য়াইরিপোকনা শীন্দুনা খুল অসিগী ওইবা ক্লবকী থৌ পুগদবশিং নৌনা শীন্নবা মীয়ামগী মীফম অমা থা অসিগী ৯দা ক্লবসিদা ৯/১১গী মেম্বর থৌদাম মঙলেমজাও মীতৈনা ময়ায় তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুনা সোরো-খাইবম লমঙানবা মীতৈবু প্রসিদেন্ট, থিঙোম অনন্দ মীতৈবু সেক্রেটরি জেনরেল অমসুং থিঙুজম রোকিবু পব্লিসিটি সেক্রেটরি ওইনা খনখ্রে হায়না ক্লবসিগী চেরোল অমদা হায়রি।

## ‘য়েলহৌ-পোৎলান্নবা, নুংশি-লেঙ্গোন্নবা হায়বসিদা মেরা হৌচোংবা পাঙথোক্কনি’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচ এন এস): হন্দক্তি লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দনা শীন্দুনা মাঙলমচৎতগী লেপ্তুনা পাঙথোরক্লিবা ‘মেরা হৌচোংবা’ হায়বা থৌরম অসি য়েলহৌ-পোৎলান্নবা অমসুং নুংশি-লেঙ্গোন্নবা হায়বা অনৌবা মীৎয়েং অমদা লৈবাক্কী থাক্তা চাউনা পাঙথোক্কদৌরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

ডা. সগোলসেম লনচেনবা মীতৈ,মেম্বর/কনভিনর (কলচরেল সব-কমিটি), মেরা চাউরেল হৌবা অমসুং হৌচোংবা, ২০১৬, লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দ, ইম্ফালনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা হায়, থৌরম অসি থা অসিগী ১৬কী নুংথিল পুং ১ তাবদা লৈবাক্কী থাক্তা পাক-চাউনা পাঙথোক্লবা লাইনিংথৌ সনামহিগী লাইশঙ, হয়িং খোংবান উফোঙ য়ুম্ফম, অহানবা বাটালিয়ন মণিপুর রাইফলসকী কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কনি।

থৌরম অসিদা লমদমসিগী চীংমী-তম্মীশিংনা লাইনিংথৌ সনামহি অমসুং ইমা লৈমরেন শিদবী অনীগী মমাঙদা খোইয়ুম লাইবু খঙহন্না নুংশি লেঙ্গোন্ননা পোৎলান্নদুনা তংদু লৈতাবা অমসুং ঈংনা চিক্না পানমিন্নবা থৌরম পাঙথোক্কনি হায়রি।

লৈশেমঙৈদগী হৌনা চীং-তম অনী পুন্না লমদমসিদা খুন্দা-লৈতামিন্নরকই। পুৱারীগী থৌদোক কয়াদা তম্মী কয়া চীংমী ওইখি অদুগা চীংমী কয়াসু তম্মী ওইরকখি। য়েলহৌঙৈ লমদমসিদা খুন্থোক খুন্দারিঙৈদা তম্পাক্তা ঈশিংতনা থন্না লৈরম্মী। মতমদুদদি ঙসি চীংমী অমসুং তম্মী হায়না খঙনরিবা অনীমক চীংদা পুন্না খুন্দা-মিন্নরম্মী। অনীমক মচিল-মনাওনি। মমা-মপা অমত্তগী মচা ঙাক্তনি। মতমগী মতুং ইন্না অসিগুম্বা মচিল-মনাও অনীসিগী মনুংদা তমদা খুন্দাদুনা লৈখিবশিংনা তম্মী অদুগা চীংদা খুন্দাদুনা লৈহৌবশিংনা চীংমী হায়না খঙনরে। অদুবু ঙসিদি চীংমী কয়াসু তম্পাক লমদমদা খুন্দা-লৈতাদুনা লৈররে। তম্মী কয়ানা চীংখোঙ-চীংয়াদা খুন্দা-লৈতাদুনা লৈখ্রে। পুম্নমক মতমনা পুরকপনি হায়রি।

হায়রিবা ফীভম অসিদা ঙসিদি কাঙলূপকী ওইবা মমিং খক্তনা লৈঙাক মীৎয়েংদা চীংমী-তম্মী খায়দোক্লবা হোৎনবা নৎতনা মাগী-মাগী লৈরু-লৈরুবা লৈতা-খুন্দাফম অদুনা য়ুম্ফম ওইরগা চীংমী-তম্মী হায়না খায়দোকপা য়াদ্রে। অসিগুম্বা তোৎশিন-তিনশিন্নবা লৈমিন্নরিবা লমদমসিগী য়েলহৌমীশিংগী মরক্তা চীংমী-তম্মী হায়না কাঙলূপকী মমিংদা মখল খায়দোক্লিবা অসিমক মমিংসিগা ওইরিবা থৌওংসিগা চানদ্রে হায়বা য়াই হায়রি।

অসিগুম্বা খায়দোক-ৱায়েলগী থৌওংসিনা লমদমসিগী পুন্না হিংমিন্নরিবা য়েলহৌমীশিংগী মরক্তা নুংশিনদবা অমসুং য়েক্লবগী ৱাখল নোংম-নোংমগী হেনগৎহল্লি। মসিদি লমদমসিদা খুন্দা-লৈতামিন্নরিবশিংগী মরকসিদা কনাদসু কান্নগদবা অমত্তা লৈতে। খায়দোক-ৱায়েলসিনা পীগদবা কান্নবদি মসিগী মমিংদা মশাগী ওইজবা তানবা লনাই মীওইশিংতনি। ৱাফম অসি ঙসিদি লমদমসিদা খুন্দা-লৈতামিন্নরিবা য়েলহৌমী পুন্না খঙমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈরে। নৎত্রবদি চফু কায়রগা ক্বাক্লা হরাউই হায়বা ইপা-ইপুগী পাউরৌদু তাগনি হায়রি।

## ৱাখল তামিন্নবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪(ঐচ এন এস): মশা-মউ ফবা মীওই অমমম ওইনবগী পান্দম থমদুনা য়ুনাইটেদ পিপলস’ ফ্রন্ট (য়ু পি এফ), মণিপুরনা লেপ্তুনা চঙশিল্লকপা থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ভেক্টর বোর্ন দিজিজেজ হায়বসিদা দিষ্ট্রিক্ট মেলারিয়া ওফিসর (দি এম ও), ইম্ফাল ৱেষ্ট ডা. এন থোইনাওগী লমজিং মখাদা নোংমগী ওইবা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা য়ু পি এফ, মণিপুরনা শীন্দুনা সেকমাই কাংজৈবুং য়ুথ ক্লব, অৱাং সেকমাইগী শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

য়ু পি এফ, মণিপুরগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এন দিনেশনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা হায়, থৌরম অদুগা মরী লৈননা এক্সপার্ট অমা ওইনা সুপর্ভাইজর ডা. কে এস ঐচ যাদুমণিনা তিল্লিবা মীয়াম অদুদা হৌজিক হৌজিক মণিপুরগী মফম খরদা কাঙশিংনা শন্দোরক্লিবা লায়না কয়া অসিদগী মতৌ করমনা ঙাক-থোক্কনি হায়বগী মরমদা মচা খায়না অমসুং শুগাইনা ৱাফম কয়া থমখি।

থৌরম অদুদা দি এম ও, ইম্ফাল ৱেষ্ট ডা. এন থোইনাওনা অথোইবা লেংবিরকপা, কম্যুনিটি হেল্ঠ সেন্টর (সী ঐচ সী),অৱাং সেকমাইগী এম ও ইন-চার্জ ডা. চুনিনা ইকায়খুম্নরিবা লেংবিরকপা অমসুং কে সালেননা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা অথোইবা লেংবিরকপগী ৱারোল পীরদুনা ডা. থোইনাওনা হায়খিবদা, লৈকায় অসিদগী মপাল লমদা গাড়ী থৌরগা লৈরিবশিং, মহৈ তমলুবশিং, লালোল-ইতিক তৌরুবশিং অমসুং লৈকায় অসিগী মীওইশিংনা অরুম লাইহৌ তৌবা য়াওরবদি অশাশিংগী খুথাংদা ব্লদ স্লাইদ কলেক্সন টেষ্ট তৌথোকপিদুনা কাঙগী লায়নাশিং অসিদগী ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ অমা ওইগনি অমসুং হায়রিবা স্লাইদ টেষ্ট অসিসু লেম্না তৌগদবনি।

থৌরমদুগী লোইশিল্লকপদা লৈকায় অসিগী কাঙখল ২০০ রোম হীদাক লুপথোকখি হায়রি।

DOCUMENT LOST

I have lost my Original Marksheet and Certificate of HSLC Examination, bearing Roll No. 27816 of 2013 issued by BOSEM, Original Marksheet and Certificate of Hr. Sec. Examination, bearing Roll No. 19732 of 2015 and Migration Certificate issued by COHSEM on the way from Brahmapur Thangapat Mapal to Porompat DC Road on 25/09/2016. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Taniya Haobam
Brahmapur Thangapat Mapal

HL-P/10151/15

/ TEACHER WANTED

Applications are invited from the interested candidates for appointment of three Assistant teachers. Interested qualified candidates may submit his/her application along with biodata at the earliest.

| Sl. No. | Particulars | Qualification | No. of Post |
|---|---|---|---|
| 1. | English | B.A./M.A. | 1 |
| 2. | Social Sciences (preferably history) | B.A./M.A. | 2 |
| 3. | Mathematics | B.A./B.Sc./M.A./M.Sc | 1 |

Sd/- ADMINISTRATOR
Memorial Model Academy, Yairipok

HL-P/10148/15

PHASE - II, 3 MONTHS LUCKY DRAW
ORGANISED BY : KANKHU FRIENDS
4TH DRAW RESULT DT. 12/10/2016

| Prizes | Coupon No. | Name | Agent Name |
|---|---|---|---|
| FREE PRIZE (i) Digital Camera | 2666 | THANGKHULUN | CICILIA+CHOCHONG |
| 1st BUMPER PRIZE CASH Rs. 60,000/- | 2608 | KHUPSIANMANG | CICILIA |
| 2nd CASH PRIZE Rs. 9,000/- | 2898 | BEBE PETER | B.B. SINGH |
| 3rd CASH PRIZE Rs. 8,000/- | 0403 | HB. TOTHUL | CICILIA |
| 4th PRIZE ELECTRIC OVEN | i) 2707 | HAUPU BAITE | CHOCHONG |
| | ii) 2878 | DY. KHOSOHMAN | HB. MARTHA |
| | iii) 1805 | SEI MINNGAM | CICILIA |
| | iv) 2586 | MEL DEIMANG | KIKIM |
| | v) 1063 | MARGRET | CICILIA |
| | vi) 1389 | TS. BABY | ANJILA |
| | vi) 2349 | RAMESH SHAH | HB. ROMILA |

NEXT DRAW WILL BE HELD ON 26TH OCT. 2016
VENUE : HEAD OFFICE NUNGPAN VILLAGE GROUND Sd/- HB. EVERMINE ANAL
TIME : 1:30 PM HL-P/10162/15 Organiser Chairman

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG

Ref:- Mut Case No. 2194/SDC/IW-L/ 2016
Thongam Bulu Singh S/o (L) Th. Budha Singh of Mayanglangjing. -Petitioner
-Vrs-
Late Thamangjam (N) Thongam (O) Tekpi Devi W/o (L) Th. Birmangol Singh of Mayanglangjing. -O.P. Party

NOTICE
The 14/10/2016

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার থমংজম নিংঙোল থোঙাম ওংবী, তেকপী দেবী পতি বীরমঙ্গোল সিংহ, সাং ময়াংলংজিংগী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৪৯-ময়াংলংজিংগী অনৌবা পাট্টা নং ১৯৭/৮৬৭, দাগ নং ২১৮৭/২৪৭১ অমসুং এরিয়ানা ০.৬৮৫ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথুজরগনি।

Sd- N. Shantabir Singh
Sub-Deputy Collector IW: Lamsang

HL-P/10154/15

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG

Ref:- Mut Case No. 2191/SDC/IW-L/ 2016
Thounaojam Kunjamani Singh S/o (L) Palando Singh of Lamdeng Mayai Leikai. -Petitioner
-Vrs-
Late Thounaojam Palando Singh S/o (L) Tomba Singh of Lamdeng Mayai Leikai. -O.P. Party

NOTICE
The 14/10/2016


Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার থৌনাওজম পালান্দো সিংহ, পীং মৃ: তোম্বা সিংহ, সাং লমদেং ময়াই লৈকায়গী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৯৬-লমদেংগী অনৌবা পাট্টা নং ১২১/৪৩৪, দাগ নং ৫৯৯, ৬৯০ অমসুং এরিয়ানা ০.৩২০০০, ০.৩০০০০ চাওবা ইঙ্খোল অনী অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথুজরগনি।

Sd- N. Shantabir Singh
Sub-Deputy Collector IW: Lamsang

HL-P/10154/15

DUTTA CLINIC

মালেমগী মমিং লৈরবা নুংশংগী হিদাক ARSHNASAK PILES CAPSULE DUTTA CLINIC তগী ফংবীগনি



**অঙৌবা পকপা :**

অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। মতম চানা লায়েংলবদি অতৈ অনাবাগুম ফহনবা ঙম্মী। অঙৌবা পকপশিংদুখক অফবা মখলগী হিদাকশিং শিজিন্নদুনা অনাবা মীওইশিং কয়া ফহনবা ঙমখ্রে। অমুক্তং লাকপীদুনা অদোমগী অনাবসু পুংফা ফহনবীয়ু।

**তাং-তাং চিকপা :**

তাং তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিত্থবা, মশল নাবা, থবাক নাবা, মীহুন কাহেন্না চোংবা, থবাক খেবা অসিনচিংবশিং অসি ঐখোয়গী হিদাক্লা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

**নুপাগী প্রোব্লেম :**

ফম্বী পাবা, ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কাছা চৎপা অমদি মপান থোকপা নত্রগা অমাংবদা কাছা লোয়নবা তারবদি ঐখোয়গী হিদাক অসি শিজিন্নবনা ফিনুংদা হাকৎচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থরকপা ফহনবা ঙম্মী। সোনোরিয়া, সাইফিলস ইনফর্টিসিটি হায়রিবা লায়নাশিং অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী। মাংলুরবা পুন্সিগী মহাও হনগৎহল্লকপা ঙম্বা অমদি শোন্থরুরবা ইন্দ্রিগী শক্তিবু অমুক হনগৎহনবা ঙল্লবা পুন্সি শাংদোকহল্লগা মেন পৱার অদোমগীদমক লৈজরে।

**নুপীগী প্রোব্লেম :**

ফিঙৌ চৎপা থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা, মনম নমথিবা, ফিনুংদা হাকৎচবা অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী অমদি ব্রেষ্ট চোন্থবানচিংবা অসি ক্রিম অমদি হিদাক শিজিন্নদুনা ফজহনবা ঙমহল্লি।

**নুংশং অমসুং গ্যাস্ট্রিক্কী :**

নুংশং ই তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কল্লাই অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোং হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্লা অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী।

**ডাইবেটিস :**

ঐখোয়গী হিদাকশিং অসি শিজিন্নরবদি ডাইবেটিসকী চাং নোংমা নোংমগী হন্থহনবা ঙম্মী অমসুং সেক্স পৱার হেঙ্গৎহল্লি। অদুগা মাংলুরবা পাঙ্গল নৌহৌননা ফংবা ঙমহল্লি।

**নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম :**

না তাবা ৱাৎপা, নাকোং ঙংদুনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমদি নাতোন ফুনবা নপ মহি তাবা, হাকথি তোয়না খনবা, স্বর হোনবা ৱাবা হায়রিবশিং অসি ঐখোয়গী মেদিসিননা ফহনবা ঙল্লে।

অদুগা শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী অমদি চহীগা চান্নদনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাকৎচবা অসিগীদমকসু অথুবা মতমদা তান্নবীদুনা অদোমগী অৱাবা অদু কোক্কনি।

DUTTA CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/3357/03/10-02/11

CROSSWORD-2216



ACROSS
1 Diplomatic etiquette (8)
6 Doleful (3)
9 Leave undisturbed (3,2)
10 Enclose (7)
11 Letter (7)
13 Root vegetable (5)
14 Dealer (6)
15 Abhorrence (6)
19 Dark brown fur (5)
21 Idealist, visionary (7)
22 Fashionable (1,2,4)
23 Twilled fabric (5)
24 Drunkard (3)
25 Stretched (8)

DOWN
2 Greek wine (7)
3 Fasten (3)
4 Rode a bike (6)
5 Scenic picture (9)
6 Digging tool (5)
7 Duffer (5)
8 Customer (6)
12 As a result (9)
16 Penitence (7)
17 English county (6)
18 Period before Christmas (6)
19 Heavenly bodies (5)
20 Brute (5)
23 Male child (3)

Solution 2215



SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-2013

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | | | | | 8 | | | |
| | | 1 | 6 | 3 | | | | 7 |
| | 3 | | 9 | | 5 | 8 | | |
| 3 | 8 | | | | | 6 | | |
| 6 | | | 5 | | 7 | | | 8 |
| | | 7 | | | | | 1 | 2 |
| | | 4 | 8 | | 3 | | 6 | |
| 5 | | | | 6 | 1 | 7 | | |
| | | | 2 | | | | | 5 |

Solution-2012

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 1 | 3 | 7 | 4 | 8 | 6 | 2 | 9 |
| 2 | 7 | 9 | 6 | 5 | 3 | 4 | 8 | 1 |
| 4 | 6 | 8 | 9 | 1 | 2 | 5 | 3 | 7 |
| 6 | 9 | 4 | 8 | 2 | 1 | 3 | 7 | 5 |
| 3 | 8 | 2 | 5 | 7 | 9 | 1 | 4 | 6 |
| 1 | 5 | 7 | 4 | 3 | 6 | 8 | 9 | 2 |
| 8 | 2 | 1 | 3 | 9 | 5 | 7 | 6 | 4 |
| 9 | 4 | 6 | 1 | 8 | 7 | 2 | 5 | 3 |
| 7 | 3 | 5 | 2 | 6 | 4 | 9 | 1 | 8 |

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers from 1 through 9